

# সনালৈবাক স্পোর্টস



SATURDAY, DECEMBER 28, 2013, PAGES 7


টেনিসকি ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ১০
শুবদা অমুক হন্না লৈবা ঙমখ্রবী
সমান্থা ষ্টৌরস

ইংলেণ্ড অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগা
শান্নখিবা মেটচ অমদা কালিসনা
বোল ফানবা হোৎনখিবা

## ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম এ এফ সি কপকি য়াঙ্গোনদা থুংলরে

*য়াঙ্গোন, দিসেম্বর ২৭ ঃ*

য়াঙ্গোনদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সি (এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন) চেলেঞ্চ কপ ২০১৪ দা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ান ফুটবোল টিম ঙসি লৈবাক অসিগী কেপিটেল সিটিদা থুংখ্রে।

ইন্দিয়া টিম অসি মতম শাংনা এ এফ সি চেলেঞ্চ কপ অসিগী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা মতম শাংনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লৈরকখিবনি। হন্দক্কি কপ অসিদা টিম অসিনা শরুক য়াগদৌরিবা অসি ইন্দিয়ানা য়ুম্ফম ওইদুনা ইং ২০১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অন্দর ১৭ ৱার্ল্ড কপ অসিগী য়েংলগা ইন্দিয়ান ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা থম্লকখিবনি।

অমরোমদা ইন্দিয়া টিম অসি হন্দক্কি চহী অসিদা সাফ চেম্পিয়নসিপতা মায়থীহৌখিবনি। লৈবাক অসিনা সাফ গেম অসি ১০ রক পাঙথোকপগী মনুংদা ৬ লক মায় পাকপা ঙমখ্রে। এ এফ সি চেলেঞ্চ কপ অসিগী ক্বালিফাইগী ফাইনেল রাউন্দদা লৈবাক অসি শরুক য়াবা ঙমদনা লাকখিবনি অদুবু ফিফাগী রেঙ্কিং অদুগী মতুং ইন্না এসিয়াগী ওইবা লৈবাকশিংগী মনুংদগী খনগৎলকখিবনি।

চহী অসিদা ইন্দিয়ানা ইন্টর্নেসনেলগী ওইবা ফেন্দলি মেটচ মরি শান্নখি। মদুগী মনুংদা মেটচ অমা মায় পাকখি মেটচ অমনা দ্রো ওইখি অদুগা অনীনা মায়থীবা নংখি।

লৈবাক অসিগী ফুটবোল চাউখৎনবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ সিষ্টেম অসি শান্নবা হৌরকখি। লীগ অসি মীয়াম্না অতেনবা লোলদা আই লীগ হায়রগা খঙনখি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী ওইবা নেসনেল টিম অমা নীংথিনা শেমগৎপা ঙমদে। অদুমওইনমক ২০১৭ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর ১৭ ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিদা লৈবাক অসিগী ফুটবোলগী অচৌবা ইতিহাস অমা শেমগদৌরি।

ফিফানা ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না অন্দর ১৭ গী ফিফা ৱার্ল্ড কপ লৈবাক অসিনা য়ুম্ফম ওইদুনা পাঙথোক্কনি হায়দুনা ফিফাদা বিট তৌরকখিবা অসি থাগৎনিঙাইনি। মসিদা লৈবাক অসিনা অচৌবা প্রোজেক্ট অমা থাঙ্গৎলক্তুনা লৈবাক অসিগী সরকারদা গেরেন্টর ওইহন্নবা হোৎনবদা এ আই এফ এফনা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা কপ অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ২৪ গা টুর্নামেন্ট অসিগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেদিয়ম ৬ তা শান্নগনি।



লৈবাক অসিনা হন্দক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা অমা লৈরকখিবা অসি গোল কিপ্পর দিনেস অমদি অতোপ্পা শান্নরোইশিংনা মপালগী ক্লবশিংদা চয়োল অহুম ট্রায়েল তৌরুবগীনি।

টিম অসিগী শান্নরোই অমসুং ওইরিবা দিনেসনা য়ুরোপকি টোপ টিম অমদা শরুক য়াবা ঙম্লকখি। মখা তানা টিম অসিনা মমাঙগী চহীশিংদা শান্নখিবা মেটচশিংদা মায়থীবা কয়া নংখিবশিংগী মনুংদা পুনেদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা পেলিষ্টাইনগা শান্নখিবা ইন্টর্নেসনেল ফেন্দলি মেটচ অদুদা ইন্দিয়া ওপোনেন্ট টিমগী মখুত্তা ২–৪ দা মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়াগী টিম্না এ এফ সি চেলেঞ্চ কপ অসিগী ক্বালিফায়িং রাউন্দ ম্যান্মারদা শান্নখি মসিদা ম্যান্মারগী মখুত্তা ১–০ দা মায়থীখি। মখা তানা লৈবাক অসিনা ২০১৫ দা ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোক্কদবা এ এফ সি এসিয়ন কপ অসিদসু শরুক য়াগে হায়রবদি ফ্লেগসিপ টুর্নামেন্ট কয়া শরুক য়াবা তঙাইফদে।

ইন্দিয়ানা ইং ২০০৮ দা লৈবাক অসিদা পাঙথোকখিবা এ এফ সি চেলেঞ্চ কপতা মায় পাক্লবা মতুংদা দোহাদা পাঙথোকপা এ এফ সি এসিয়ন কপতা শরুক য়াখি। এ এফ সি চলেঞ্চ কপ ২০১২ অমদি ২০১৪ ফাওবদা মায় পাকপা টিম অদুনা ২০১৫ গী এ এফ সি এসিয়ন কপকি ক্বালিয়াফিং রাউন্দদা শরুক য়াগদবনি।

## পোথরুরবা এন্দি মুরে অবু ধাবি টুর্নামেন্ট য়াওগদৌরি



*স্কোটলেণ্ড, দিসেম্বর ২৭ ঃ*

চহী অসিগী সেপ্টেম্বরগী ময়াইদা দেবিস কপ শান্নরিঙৈ মনুংদা খ্বাঙগী অনা অমনা মরম ওইদুনা শান্নবদগী পোথাদুনা ওপরেসন তৌরুরবা এন্দি মুরে চয়োল ১৫ গী মতুংদা অবু ধাবি এগজিবিসন মেটচতা অহানবা ওইনা শরুক য়ারগনি।

ৱিমব্লেদনগী চেম্পিয়ন ওইখিবা চৎলিবা চহী অসি ফাওবদা নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ডগী মরিশুবা রেঙ্কিংদা লৈরম্বা এন্দি মুরে চয়োল ১৫ শান্নবা লেপলুরবা মতুংদা মথং চহীদা পাঙথোক্কদবা অবু ধাবি এগজিবিসন মেটচতা শরুক য়াগদৌরি।

অহানবা ওইনা মহাক্না মশান্না অসিদা শরুক য়ারদুনা মুবাদনা ৱার্ল্ড টেনিস চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াবদা অহানবা মেটচ অদু মায়থীবা নংখি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা অহানবা সেট অদু মহাক্কী মায়কৈদগীদি য়াম্না নীংথিনা শান্নখি। অদুবু মখা তাবা মেটচতা মহাক্না ৭–৬ অমদি ৬–৩ ফ্রান্সকি শান্নরোই ৱার্ল্ডগীনা ১০ শুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবা জো ৱিলফেদ সোঙাবু মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা মহাক্না য়াম্না কন্না শান্নখিদে। অহানবগী সেট অদুদা মহাক্না রেল্লিদা শান্নবা হৌখিবনি। মদুমক্না মহাক্কী খূৎশান্না অদু ওপোনেন্টনা খঙখিবদগী মায়থীখি। অদুবু অনীশুবা সেট অদুদা তপ্না তপ্না শান্নগুম্না শানবা ঙমলকখিবনা ৭–৬, ৬–৩ দা মায় পাকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি শান্নরিবা অসিগুম্না মহাক্না হয়েংসু চেকশিন্না শান্নগনি। মহাক্না শোক্তুনা লৈরুবা অসিনা মরম ওইদুনা চহী অসিগী ফেন্স ওপন অদুসু শরুক য়াবা ঙমখিদে। লোয়নননা চহী ৭৭ কি মতুংদা বৃটিশ নুপানা অহানবা ওইনা ৱিমব্লেদনগী চেম্পিয়ন লৌবা ঙম্বা শান্নরোই অমদি মহাক্না ওইখ্রবনি হায়খি।

## ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৪ তুবদা রন ২৪৫ লৌবা ঙমখ্রে



*কিংসমেন, দিসেম্বর ২৭ ঃ*

দুর্বানগী কিংসমেনদা চখরিবা ইন্দিয়া অমসুং আউথ আফ্রিকাগী অনীশুবা টেষ্ট মেটচকি নীনী চনবা নুমিৎকি শান্নখিবদা ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ২৪৫ লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিমদা নৌনা য়াওরক্লিবা মুরলি বিজয়না ঙসিগী মেটচ অদুদা নীংথিনা রন লৌবা ঙমখি। মহাক্না টেষ্ট মেটচতা সেঙ্কচুরি লৌবা ঙমগদবা শুপ্নগী রন ৩ খক্তমক ঙাইরবা মতমদা দানে ষ্টেননা আউট ওইহন্দুনা রন ৯৭ খক লৌরমখি। করিগুম্বা মহাক্না ঙসিগী মেটচ অসিদা সেঙ্কচুরি য়ৌবা ঙম্লগদি মহাক্না টেষ্ট মেটচ শান্নবদা সেঙ্কচুরি মরি লৌবগী খুদোংচাবা অদু লৈরম্মী।

শান্নরোই অসিনা মমাঙদা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচশিংদা সেঙ্কচুরি লৌদুনা হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী টেষ্টকি কেরিয়রদা সেঙ্কচুরি অহুম লৌবা ঙমখ্রবা শান্নরোই অমনি।

ঙরাং ফাওবদা ইন্দিয়ানা ওভর ৬১ শান্নবা লোইবদা ৱিকেট ১ তুরগা রন ১৮১ লৌখি। মখা তানা শান্নবা য়াদবদগী অম্পয়রনা মেটচ অদু লোইশিনখিবনি।

ঙসিগী মেটচ শান্নবা হৌরকপসু হান্না পীখিবা মতমদগী নোংনা মরম ওইদুনা থেংথনা শান্নখি। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা ওভর ৮৫ শান্নবদা ৱিকেট মরি তুরগা রন ২৪৫ লৌবা ঙমখ্রে। পুজারানা রন ৭০ লৌরমখি। ভিরাট কোলিনা মমাঙগী টেষ্টতা রন ৯৬ লৌখি অদুবু হন্দক্কি অসিদা রন ৩১ খক লৌরমখি।

## মণিপুরগী সাইখোম মিরাবাই চনুনা কেজি ৭৫ থাঙ্গত্তুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখ্রে

*গুৱাহাটি, দিসেম্বর ২৭ ঃ*

গুৱাহাটিনা য়ুম্ফম ওইদুনা ঙসিদগী মফম অসিদা চখরিবা ৫০ শুবা মেন্স অমদি ২৬ শুবা ৱুমেন্স জুনিয়র নেসনেল ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নসিপকি অহৌবা নুমিত্তা মণিপুরগী সাইখোম মিরাবাই চনুনা নেসনেলগী জুনিয়র রেকোর্দ অমা থুগাইবা ঙমখ্রে।

ঙসি মফম অসিদা পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৪৪ গী স্নেসতা মণিপুরগী নহা ওইরিবী লিফটর সাসখোম মিরাবাই চনুনা কেজি ৭৫ থাঙ্গত্তুনা মমাঙগী চেম্পিয়নসিপতা মশানা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগাইদুনা অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখি।

ক্লিন এন্দ জকতসু মহাক্না কেজি ৯৫ থাঙ্গত্তুনা পুন্না কেজি ১৭০ থাঙ্গৎপগা লোয়ননা গোল্ড মেদল লৌখি। ঙসিগী অনীশুবা ওইনা কেজি ৫৩ গী কাঙলূপতা পঞ্জাবকি হরদিপ কোরনা কেজি ৭৯ থাঙ্গত্তুনা মমাঙগী চেম্পিয়নসিপতা অন্ধ্র প্রদেশকি এম সন্তোসিনা থম্লম্বা রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙমখি। হরদিপনসু চেম্পিয়নসিপ অসিদা ক্লিন এন্দ জকতা কেজি ৯৫ থাঙ্গৎপগা লোয়ননা পুন্না কেজি ১৭৪ থাঙ্গত্তুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা ইন্টর্নেসনেলদা মেদল ফংলকপা য়াওনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লিফটর ২৫৫



না বোদি ৱেথ ১৫ দা অথোই অহেন তান্নরি। নুপাগীনা কাঙলূপ ৮ অদুগা নুপীগীনা কাঙলূপ ৭ তা অথোই অহেন তান্নরি।

## সোমিয়াজিৎ ঘোসনা টি টিগী টিম লুচিংগনি

*পানাজি, দিসেম্বর ২৭ ঃ*

ষ্টেট অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা টেবল টেনিসকি চেম্পিয়নসিপ্তা নেসনেল চেম্পিয়ন সোমিয়াজিৎ ঘোসনা অহুমশুবা লুসোফোনিয়া গেমসকি টিম লুচিংগদৌরি।

গৱাদা লাক্লিবা জনুৱারী ১৮ দা হৌগদৌরিবা অহুমশুবা লুসোফোনিয়া গেমস অসিদা চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবা ঘোসনা ইন্দিয়া টিমগী লুচিংবা ওইগদৌরি। টিম অসিদা শরুক য়াগদবা অতোপ্পা শান্নরোইশিং অদুদি টামিল নাদুগী এন্থোনি অমলরাজ, গুজরাটকি হরমিট দেসাই, গৱাগী অদর্স পি অমসুং গৱাগী দিলজিৎ বিল্লিংগরনি। মখোয়গী মনুং চন্দবা অতোপ্পা শান্নরোই অদুনা সরত কমলনি।

নুপীগী টিম অদুদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদুদি নেসনেল চেম্পিয়ন টামিল নাদুগী সামিনি কুমারসেন, মুম্বাইগী মধুরিকা পাটকর, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অনকিতা দাস, গৱাগী টানিসি ক্রিটানি অমসুং গৱাগী দিবিয়া দিমিলোনি। অহুমশুবা য়ুসোফোনিয়া গেমস অসি নুমিৎ ১২ নি চুপ্না পাঙথোক্কনি। মসিদা শান্নরোই ১৫০০ না শরুক য়াগনি অমসুং মপাল লৈবাক্ত ১২ দগী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগদৌরি।

মপালদগী লাক্কদৌরিবা লৈবাকশিং অদুদি অঙ্গোলা, ব্রাজিল, কেপ ভেরদি, ইষ্ট টিমোর, গুনিয়া বিশ্বা, মপাও, মোজাবিক্যু, প্রোটুগাল এন্দ সাউথ টোমি এন্দ প্রিন্সিপল, এন্দ এসোসিয়েট মেম্বর ইকুটোরিয়া গ্বিনি, ইন্দিয়া, শ্রীলঙ্কানি। গেম অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা দিসিপ্লিন ৯ অদুদি এথলেটিক্স, বাস্কেটবোল, বিচবোলি, জুদো, ফুটবোল অমদি টেবল টেনিসনি।

## ৱার্ল্ড হোকি লীগ হৌরগনি

*ন্যু দিল্লী, দিসেম্বর ২৭ ঃ*

কেপিটেল সিটি অসিদা লৈরিবা মেজর ধ্যানচান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়মদা ৱার্ল্ড হোকি লীগকি ফাইনেল মথং থাগী ১০ দগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি।

পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড হোকি লীগ অসিদা ইন্দিয়ানা পুল–এ দা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন জর্ম্মনি, ইংলেণ্ড অমদি ন্যুজিলেণ্ডগা লৈমিন্নরি। পুল–বিদা ওষ্ট্রেলিয়া, নেদরলেণ্ড, বেলজিয়ম অমদি আর্জেন্টিনা লৈমিন্নরি। অহৌবা ওইনা ওপন্নিং মেটচতা ইংলেণ্ডগা ইন্দিয়াগা শান্নদুনা হৌদোক্কনি। জানুৱারীগী ১১ দা ইন্দিয়াগা ন্যুজিলেণ্ডগা অদুগা জনুৱারী ১৩ দা ইন্দিয়াগী জর্ম্মনিগা শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াগদবা গোল কিপ্পরশিং অদুদি পি আর সরজেশ, পি টি রাও অমদি হরজোট সিংহনি। দিফেন্দরদা হরবির সিংহ, রূপেন্দর, ভি আর রগুনাথ, বিরেন্দ্র, গুরুমাল, অমিট, কোথাজিৎ খাঙেম্বম, গুরজিন্দর, মিদফিল্ডরদা এস কে উথাপা, এম বি অয়াপা, ধরবির সিংহ, ঙাঙ্গুজম চীঙলেনসনা, সদার সিংহ, মনপ্রিদ সিংহ, ধনিশ, সটবিরনচিংবা শান্নরোই কয়া য়াওরি।



## ইন্দিয়াগী মহেস ভুপথি চেন্নাই ওপ য়াওরোই

*চেন্নাই, দিসেম্বর ২৭ ঃ*

এয়ারসেলনা শীন্দুনা চেন্নাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা এয়ারসেল চেন্নাই ওপন অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা শান্নবদা দবলদা স্পিসিয়েলিষ্ট ওইরবা মহেস ভুপথি শরুক য়ারোই হায়না ইন্দিয়ান এক্সপ্রেসকি পাউ অমনা হায়রি।

মথংগী চয়োলদা চেন্নাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা চেন্নাই ওপন অসি এ টি পি ইভেন্টশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা মরু ওইবা ইভেন্ট অমনি। ইভেন্ট অসিদা দবলদা হেন্না হৈথোই শিংথোইরবা ইন্দিয়াগী দবল শান্নরোই অমদি ৱার্ল্ডগী ৩৫ শুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবা মহেস ভুপথি টুর্নামেন্ট অসি য়াওরোই হায়রি।

মশাগী চহী ৩৯ শুরবা ভুপথিনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী ব্যুজিনেস অদুনা মরম ওইরগা হন্দক্কি এ টি পি চেন্নাই ওপন অসি শরুক য়ারোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্না দবলগী পার্থনর ওইগদৌরিবসি আমেরিকাগী শান্নরোই রজিব রামগা ওইগদবনি। অদুমওইনমক মহাক্না



সিঙ্গলসতা ৫ রক শান্নবদা মহাক্না মায়থীবা পীখিবা মীওই অসিগা পুন্না দবলগী পার্থনর ওইরোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

ভুপথিনা মখা তানা ইং ২০১৪ দা পাঙথোক্কদবা ৱিমব্লেদন য়াওনা তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্টশিং প্লান তৌরবা মতুংদা শান্নবা য়াওগনি হায়না ফোঙদোকখি। মহাক অসি চৎলিবা চহী অসিদা শান্নবা অসিদগী পোথরগে হায়না ফোঙদোকখ্রবা ইন্দিয়াগী টেনিস শান্নরোই অমনি।


CHEM
DISTANCE EDUCATION
(CENTRE FOR HIGHER EDUCATION MANIPUR)
Authoriszd host Institute of Lovely Professional University, Punjab
Recognized by UGC
Regulatory Body of Govt. of India for Open and Distance Learning System)
Vide F.No. UGC/DEB/Decog./2013 (1233-1237)

PROGRAMMES OFFERED

COMPUTER APP./ IT/ COMP. SC. :
MCA* ,M.Sc. IT *,M.Sc.CS*, PGDCA,PGDIT,PGDCS, BCA* ,B.Sc.IT*, B,Sc. CS*, DCA,DIT,DCS,

COMMERCE :
M.Com,B.Com

MANAGEMENT :
MBA*,PGDBM,BBA*

LIBRARY & INFORMATION SCIENCES :
MLIS,BLIS,DLIS

ART (in English & Hindi Medium :
M.A
(Hindi, Economics, Education, History, Sociology, Political Science, English, Mathematics) B.A

Affordable Fees Structure

*LATERAL ENTRY & MIGRATION ALSO AVAILABLE

Prospectus and Application Forms are available at:

CHEM
CHANGANGGEI, Opp. IMPHAL TULIHAL AIRPORT
CONTACT : 0385-2455559 | 8414069061 | 8413036162